**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 15-05-2026)**

**খেমচান্দ(এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি-সঙাই অমদি নোংইনগুম্বা লমলক্কী তাংলবা শা-উচেকশিং ঙাক শেন্দুনা থমবা ঐখোয় পুন্না ৱারেপ লৌরসি।

নেসনেল ইনদেঞ্জরদ স্পেসিষ্ট ডেগা মরী লৈননা পীবা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-নুমিৎ অসিনা লাকপদা মনিপুরগী চাউথোকচনিংঙাই ওইরবা অমদি মাঙখিবা য়াবগী অকিবা লৈরিবা সঙাই অমসুং নোংইননচিংবা লমলক্কী শা-উচেকশিং ঙাক শেন্দুনা থমবগী ৱাখল্লোন নৌহৌননা নীংশিংহল্লি। উমং-ৱামং, পাৎ-তুরেল অমদি অকোইবগী ফিভমশিং ঙাক শেন্দুনা থমবগী অচেৎপা ৱাখল্লোনগা লোয়ননা থৌদাং লৌরবা মতম খক্তদা ঐখোয়না মখোয়বু ঙাকপী শেনবীবা ঙমগদবনি।

মনিপুরগী ইনাক খুল্লবা বাইও দাইভরসিতি অমসুং অকোইবগী ফিভমশিং য়োকখৎতুনা হেন্না ফজবা অশং অমাননা থল্লবা লমদম অমা ওইহল্লসি হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিনা আপিল তৌখি।

রাজ্যগী আর্ট এন্দ কলচর মন্ত্রি-খুরাইজম লোকেননসু নেসনেল ইনদেঞ্জরদ স্পেসিষ্ট ডেগা মরী লৈননা থাদোরকপা ৱারোল অমদা হায়-ইনভাইরোনমেন্টকী মরুওইবা শরুকশিং ওইরিবা মাঙখিবা য়াবগী অকিবা লৈরিবা সঙাই অমসুং নোংইন অসি হচম চন্বা শা-উচেকশিং নত্তে। মখোয় অসি মনিপুরগী ইনাক খুল্লবা কালা সংস্কৃত্তিগী খুদম চাংদম ওইরিবা মমল নাইদ্রবা শা-উচেকশিংনি। নুমিৎ অসিনা লাকপদা শা-উচেকশিং কন্দুনা মনিপুরগী তুংলমচৎপু হেন্না ফবা ওইহল্লসি হায়রি।

নুমিৎ অসিনা লাকপদা কেন্দ্রগী হান্নগী রাজ্য মন্ত্রি-ডা: রাজকুমার রঞ্জন

সিংহনা হায়রি-লাক্কদৌরিবা মীরোলনা খল মান্নবা ইনাক খুল্লবা বাইওদাইভরসিতি অমা ফংহৌনবা ঐখোয়গী মুৎশিল্লক্লবা লমলক্কী শা-উচেকশিং ঙাক শেন্নবা, য়োকখৎনবা অমসুং পুন্না হিংমিন্ননবা অমুক হন্না ৱাশক লৌরসি।

মফম কয়াদসু ঙসি নেসনেল ইনদেঞ্জরদ স্পেসিষ্ট ডেগী থৌরম পাঙথোকখি। ৱাংজিংদা লৈবা ৱাই.কে. কলেজতসু নুমিৎ অসিগী পালন থৌরম পাঙথোকখি।

**রোল (এল)ঃ** ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা মনিপুরগী ইলেক্তোরেল রোলগী স্পিসিএল ইনটেন্সিব রিভিজন ফেজ থ্রিগী মতম লাউথোকখ্রে।

রাজ্যগী চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসার-অরুনকুমার সিনহানা থোকপা চেরোল অমদা হায়-থা অসিগী ২০ দগী ২৯ ফাওবা ত্রেন্নিংশিং পাঙথোকপা য়াওনা মসিগীদমক শেম শাগনি। থা অসিগী ৩০ দগী মথং থাগী ২৮ ফাওবগী মনুংদা বি.এল.ওশিংনা য়ুমথোং য়ুমথোং চৎকনি। মথং থাগী ২৮ ফাওবগী মনুংদা পোল্লিং ষ্টেসনশিং রেস্নেলাইজেসনগী থবক লোয়শিনগনি। দ্রাফট ইলেক্তোরেল রোলনা জ্লাই মঙাদা ফোংলগা ফাইনেল ইলেক্তোরেল রোলনা সেপ্তেম্বর তরুক্তা ফোংলগনি।

**ৱার্কশোপ (এল)ঃ** প্রধান মন্ত্রি ক্রিসি সিনচাই য়োজনা ৱাটরসেদ দিবলপমেন্ট কম্পোনেন্ট টু পোইন্ট জিরো মনিপুরগী মখাদা প্রদক্সন সিষ্টেম এন্দ মাইক্রো ইন্টরপ্রাইস হায়বা হীরমদা নোংমগী ওইবা রাজ্য থাক্কী ৱার্কশোপ অমা ঙসি চীংমৈরোংদা লৈবা ক্লাসিক গ্রান্দেদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা প্লান্নিং দিপার্টমেন্টকী ষ্টেট লেবেল নোদেল এজেন্সি ফোর ৱাটরসেদ মেনেজমেন্টকী সি.ই.ও. ডা: রাজকুমারী সুনিতানা

**লম্বী (এল)ঃ** তমেংলোং জিলাগী তৌসেম সব দিভিজনগী মনুং চনবা নেসনেল হায়ৱে ১৩৭-তমেংলোং-মহুর রোর্ডকী ফেলোং এরিয়াদা কা হেন্না চাউনা লৈনাং চেন্থরকপদগী লম্বী অসিগী নাকল অনিমক্তা গাড়ি কয়া চৎপা য়াদনা পন্দুনা লৈরে। লম্বী অসি মনিপুরগী তমেংলোংগা অসামগী দিমা হসাউ জিলাগী মহুরগা শমবনি।

ঐখোয়গী তমেংলোং পাউমীনা হায়-লম্বী অসি আর.দি.পি.এল. পেকেজ ফোরগী মখাদা ইং কুমজা ২০২১ দগী শেমগৎপা হৌরকপনি। কিলোমিটর ১১০ শাংবা লেন্দ অনিগী লম্বী অসিনা গুৱাহাতিরোমদা চৎতনা অসামদা হকথেংননা য়ৌবা ঙমহল্লগনি।

**থাউ (এল) ঃ** মালেমগী ওইনা ইনজিগী মমল চাউনা হেনগৎলকপগী ৱাথোক মরক্তা ভারতকী থাউ কম্পনিশিংনা পেট্রোল অমসুং দিজলগী মমল লিতর ১ দা লুপা অহুম অহুম হেনগৎলে।

ওইরক্লিবা ফিভম অসিনা মনিপুরদসু ঙসিদগী পেট্রোল অমসুং দিজলগী মমল হেনগৎলে। ইন্দিয়ান ওইল কোরপোরেসন লিমিটেদ-ইম্ফাল দিভিজনেল ওফিসকী পাউনা হায়-ইম্ফাল এরিয়াদা ঙসিদগী পেট্রোল লিটর অমদা লুপা ৩ পৈশা ১৩ হেনগৎতুনা লুপা ১০২ পৈশা ২৮ ওইরে। মসি হান্নদি লিটর অমদা লুপা ৯৯ পৈশা ১৫ ওইরম্বনি। দিজলগী মমলনা লুপা ২ পৈশা ৯২ হেনগৎতুনা লিটরদা লুপা ৮৮ পৈশা ১৫ ওইরে। মসি হান্নদি লিটরদা লুপা ৮৫ পৈশা ২৩ ওইরম্বনি।

**চান্দেল (এল)ঃ** চীংদা লামৈ চাকপা মতমদা মদুবু কন্নবগী ট্রেন্নিং প্রোগ্রামশিং পাঙথোকখিবদা শরুক য়াখিবা ট্রেনিশিংদা সার্টিফিকেট য়েন্থোকপগী থৌরম অমা ঙসি চান্দেলগী লাম্বুং ভিলেজ কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা চান্দেলগী দি.এফ.ও. এন. মুনাললনা হায়-উমং য়োকখৎনবা হোৎনবদা লামৈ চাকপগী থৌদোকশিংনা অচৌবা শিংনবা অমা ওইরি। মসিবু থেংননবগীদমক অখন্নবা ত্রেন্নিং প্রোগ্রামশিং অদু পাঙথোকখিবনি।

**টেক্স (এল)ঃ** লৈবাক শিনবা থুংবদা পাঙথোক্লিবা প্ররম-২০২৬ কী শরুক অমা ওইনা ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্ট-নোর্থ ইষ্ট রিজননা শিন্দুনা ন্যু ইনকম টেক্স এক্ট ২০২৫ গী মতাংদা মীয়ামদা খঙহনবগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা অখঙ অহৈ কয়ানা ৱা ঙাংখি।

**মৈ (এল)ঃ** য়ুরেম্বম সব ষ্টেসনগী ৱের্ষ্টন ফিদরগী ঐচ.টি. লাইন শেমজিন শাজিনবগা মরী লৈননা হয়েং অয়ুক্কী পুং ৯ দগী নুংথিল পুং মরি ফাওবা ফিদর অসিগী মখাদা লৈবা মফমশিংদা মৈ ফংলোই।

এম.এস.পি.দি.সি.এলগী চেরোল অমদা হায়-হায়রিবা মতম অসিদা শগোলতোংবা, অৱাং খুনৌ, কোন্থৌজম, খুম্বোং, ঙাইরাংবম, খাইদেম, হৈক্রুজম, কামোং, মোইদাংপোক অমসুং কৈথেলমানবীনচিংবা মফমশিংদা মৈ ফংলোই।

**হোম (এল)ঃ** রাজ্যগী কম্মিস্নর (হোম) না হোম গার্ডকী তোখায়বা কম্মান্দেন্ট জেনরেল অমা হাপনবা হুকুম থোকখ্রবসু ঙসি ফাওবা থবক্তা ওন্থোক্তবগী মতাংদা মনিপুর হোম গার্ড ইমপ্লোয়িজ ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসননা হায় কোর্ট ওফ মনিপুরদা ৱাকৎখ্রে হায়রি।

**এআর (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্টতা পাঙথোকখিবা ওপরেসন ক্ষেত্রি-ইরিলবুংদা শরুক য়াদুনা শিংথানিংঙাই ওইবা থৌদাং লৌখিবা অসাম রাইফলসকী হবিলদার-ধিরেন্দ্র সিংহ সাহবু পুকিং থৌগৎতুনা ইকায় খুমবা ডৎপগী থৌরম

অমা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখ্রে।

অসাম রাইফলসকী পাউনা হায়-মঙাশুবা সিটিজন্স গ্রেটিচুদ টু গেলেন্ট ৱারিয়রস সেরেমোনিগী থৌরমদা মহাকপু ইকায় খুমবা উৎখিবনি।

অমরোমদা, ঙরাং তেংনৌপল জিলাগী মোরেদা থোকখিবা লন্মীগী খুদোংথিবা থৌদোক অমদা শোক্লবা মীওই অহুমদা অসাম রাইফলসনা মতেং পাংখ্রে হায়রি।

কামজোং জিলাগী কাসোম খুলেনদা অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা উ চারা থাবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুগা মরী লৈননা অসাম রাইফলসকী ওফিসিএলশিংনা মফম অদুগী ওজাশিং অমদি মহৈরোইশিংগা উন্নদুনা অকোইবগী ফিভম ঙাক শেন্দুনা থমবগী মতাংদা ৱারী শান্নখি হায়রি।

**ৱাকৎ (এল)ঃ** ত্রোংলাউবী, লীতান অমসুং টি.এম. কসোমগী থৌদোকশিং অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী শওম্বুং কবুই খুঞ্জাউ মার্কেটতা লমদম অদোমগী নুপীশিংগী ওইবা ৱাকৎ মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবীশিংনা মীচম হাৎপা য়ানিংদে, টেরোরিষ্টকী থৌওং খুদক্তা লেপ্পু হায়বনচিংবা প্লে কার্ডশিং পায়খি।

**কন্দোল (এল)ঃ** ওল বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়নগী এদভাইজর ওইরম্বা থোকচোম রঞ্জিৎ সিংহ ঙসি লৈখিদ্রে। মহাকা লৈখিদবদা ওল বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ননা অৱাবা ফোংদোকখ্রে। মহাক দি.আই.পি.আরগী বিষ্ণুপুর জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট ইনর্ফোমেসন ওফিসার ওইনা থবক্তগী পোথখিবনি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি য়ুনাইটেদ অরাব ইমরেটসকী রাস্ত্রপতি-সৈখ মহামদ বিন জয়েদ অল নহায়নগা ৱারী শান্নখ্রে। ইনজির্গী লমদা তেংবাং পীনবা অমসুং নাকল অনিগী মরক্তা লল্লোন ইতিক তৌনবগী ৱাফমনা মপুং

ওইনা খন্নখি।

নোংচুপ এসিয়াদা হৌজিক ওইরিবা মুকবগী ফিভম অসিনা মালেমগী ওইনা ইনর্জি সপ্লাইদা অপনবা কয়া থোরক্লিঙৈ চৈরক্তা লুচিংবা অনিনা ৱারী শান্নরকপনি। নাকল অনিমকা থাউগী রিজার্ব অমসুং গ্যাস সপ্লাইগী খুদোংচাদবা কোক্লগনি হায়বগী থাজবা থল্লি।

প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী য়ুনাইটেদ অরাব ইমরেটস অমসুং য়ুরোপকী নুমিৎ তরুকনিগী খোঙচৎকী অহানবা ওইনা ঙসি অবুদাবিদা থুংখিবনি। য়ু.এ.ইদা হন্দক্তা এট্টেকশিং চথুরকখিবা অদুবুসু প্রধান মন্ত্রিনা য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোক্লি।

**বেঙ্গোলঃ** আরজিকর মেদিকেল কলেজ কেসকা মরী লৈননা নোংচুপ বেঙ্গোল সরকারনা আই.পি.এস. ওফিসার অহুম থবক্তগী সসপেন্দ তৌখ্রে। মখোয়শিং অদুদি হান্নগী কোলকাতা পুলিসকী কম্মিস্নার-বিনিত গোয়ল, হান্নগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার (সেন্ত্রেল)-ইন্দিরা মুখর্জি অমসুং হান্নগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার (নোর্থ) অভিসৈখ গুপ্তনা সরকারগী অয়াবা য়াওদনা মেদিয়াদা ৱা ঙাংখিবা, অৱাবা নংলবা ইমুংগী অহল লম্মনশিংদা শেল পীবা অমসুং মথৌ নিংথিনা পাঙথোক্তবগী মরালদা মখোয়বু সসপেন্দ তৌখিবনি।

**সিক্কিমঃ** উপ রাস্ত্রপতি-সি.পি. রাধাকৃষ্ণন হয়েং সিক্কিমদা চৎকনি। মসি মহাকা ফম অসি পায়রক্লবা মতুংদা সিক্কিমদা চৎপা অহানবনি।

গেংতোক্তা পাঙথোক্কদবা সিক্কিমনা মপুং ফাবা রাজ্য ওইখিবগী পালন থৌরমদা উপ রাস্ত্রপতি শরুক য়াগনি। থৌরম অদুদা সিক্কিমগী রাজ্যপাল, মুখ্য মন্ত্রি, দোন্নর মন্ত্রি অমসুং মশক নাইবা লুচিংবা কয়া শরুক য়াগনি।

**য়ুপিঃ** উত্তর প্রদেসতা হৌখিবা পুং ৩৬ তা নোং চুবা, নোংলৈ নুংশিৎ অমসুং বজ্র

তাবদা ১১১ শিরে, অতৈ ২০০ রোমনা শোক্লে। মুখ্য মন্ত্রি-যোগী অদিত্যনাথনা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিং অমসুং মরী লৈনবা ওফিসিএলশিংদা খুদক্তা থৌদোক থোকফমশিংদা চৎতুনা সর্ভে তৌনবা খঙহনখ্রে। মুখ্য মন্ত্রিনা মখোয়দা পুং অহুম খুদিংগী ওইরিবা ফিভম অদু খঙহল্লকবা হায়খি।

পুংদা কিলোমিটর ১০০ গী চাংদা শিৎপা অকনবা নুংশিৎনা রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা পাক্তকনা অমাং অতা থোকহনখি। রেল লম্বীদা উ কয়া তেক্তুনা তুশিল্লকপা অমসুং ইলেক্ত্রিক্ট ৱায়ার কয়া তৎপদগী পাটনা রাজধানি য়াওনা রেলগাড়ি কয়া মফম কয়াদা পন্দুনা লৈখি। লেন য়াওবা অকনবা নোংনসু হৌরিবা মনা-মশিং কয়া পাক্তকনা মাঙ তাকহনখ্রে হায়রি।

**মোনশুনঃ** খা-নোংচুপতগী হৌরকপা কুমগী নোং থা অসিগী ২৬ তা কেরলম য়ৌরক্লবা য়াই হায়রি। মহৌশাগী ওইনদি খা নোংচুপতগা হৌরকপা কুমগী নোং অসি কেরলাদা জন্ অমগী অদুৱাইদা য়ৌরকপনি।

ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা হায়-কুমশি চহিগী ওইনদি কুমগী নোং অসি খরা ঙনখৎনা লাক্তুনা, লাক্কদৌরিবা পুং ২৪ গী মনুংদা খা থংবা বঙ্গোপ সাগর, অন্দমানগী সমুদ্রগী শরুক অমসুং অন্দমান এন্দ নিকোবর আইলেন্দদা য়ৌরক্লবা য়াই। কেরলাসু খা নোংচুপতগী হৌরকপা কুমগী নোংনা খ্বাইদগী হান্না য়ৌরকপা রাজ্যনি।

**সিএম (এল)ঃ** উত্তর প্রদেসকী লক্ষনৌদা পাঙথোকপা অনিশুবা ওল ইন্দিয়া পুলিস বেদমিন্টন ক্লস্তর চেম্পিয়নসিপ ২০২৫-২৬ তা মনিপুর পুলিস টেবল টেনিস টিমনা নুপা অমসুং নুপীগী টিম ইভেন্টতা ফার্ষ্ট রন্নরস অপ তারে।

চেম্পিয়নসিপ অদুদা মনিপুর পুলিস টিমনা সনাগী মঙা, লুপাগী তরেৎ অমসুং শেঞ্জেংগী তরেৎ পুন্না তকমান ১৯ ফংলকখি। বেদমিন্টন টিমনসু সনাগী অনি, লুপাগী অহুম অমসুং শেঞ্জেংগী তকমান অনি তোঙান তোঙানবা ইভে

টতা ফংলকখি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** ক্ষেত্রি লৈকাই রাইজিং ক্লব-থৌবালনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা চত্থরকপা অহানবা কে.আর.সি. ত্রোফি ২০২৬ কী ঙসি প্রি-ক্বাটর ফাইনেলশিং শান্নবা হৌখ্রে।

ঙসি অহানবা শান্নবা প্রি-ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা-য়ু.এস.এফ.সি. সঙাইয়ুম্ফমনা সঙ্গাই হেরোজবু পাঞ্জল ৫-৪ দা থোইখ্রে। অনিশুবা প্রি-ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা-এ.কে. এফ.সি.সি. ক্বাক্তানা য়ু.এন.পি.সি. মোইজিংবু পাঞ্জল ৭-৬ তা থোইখ্রে।

**ফুটবোল (এল)ঃ** নোংচুপ কামেং য়ুথ জেনরেসন ক্লবনা শিনবা ১৩ শুবা সম্মরস স্পোর্টস মিট ২০২৬ কী ফুটবোল টুর্নামেন্টতা মতাই এফ.সি-লুৱাংশংবমনা লম্বাল এফ.সিবু পাঞ্জল ৬-১ দা, কে.ৱাই.দি.সি-কৈকোলনা লুলুবী এফ.সিবু ফৈদিংগাবু পাঞ্জ্জল ৪-১ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা-খুম্বোং এফ.সিনা এন.কে. ৱাই.জি.সিবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখি।

**সাই (এল)ঃ** সাই স্পোর্টস ত্রেন্নিং সেন্টর-খুম্মন লম্পাক্কী সেসন ২০২৬-২৭ কী ওইনা খনগৎলবা শান্নরোইশিংগী মিং লাউথোক্লে। খনগৎলবা শান্নরোইশিংনা লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা সাই-এস.টি.সি. ইম্ফালগী ইন-চার্জতা রিপোর্ট তৌরনবা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

**মনশুখঃ** স্কোটলেন্দগী গ্লাসগোদা পাঙথোক্কদৌরিবা কম্মনৱেলথ গেমস ২০২৬

কীদমক ভারতনা শেম শারিবশিং কেন্দ্রগী য়ুথ এফিয়ার্স অমসুং স্পোর্টস মন্ত্রি- ডা: মনশুখ মন্দাভিয়ানা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকপা অৱাংবা থাক্কী মীফম অমনা ঙসি য়েংশিনখ্রে।